Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ৱাবগাই এরিয়াদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ক্লব ১২গী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা দি সিটিজন্স এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভলপমেন্টকী ২৩শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম



লামায় ৪

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রিজনেল পার্টিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অরিবা পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুর পীপল'স পার্টি (এম পি পি)গী ৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরম



লামায় ১

ডা. মোইরাংথেম মচা চাওরৈকনবনা *ইবা নুংগী মশক উৎলিবা কংলৈ হরাওবগী জগোই* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবগী মণিপুর হিন্দি পরিষদতা পাঙথোকপা থৌরম


লামায় ৪

লাঙ্গোলদা লৈবা শীজ হোস্পিটালদা শীজ আই ক্যের ফাউন্দেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা মীৎ লায়েংবগী কেম্প


লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.268 | ইরাই, ৱাকচিংগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, December 27, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## ফেব্রুৱারি ১দা য়ুনিয়ন বজেট পুথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

ফেব্রুৱারি ১দা য়ুনিয়ন বজেট পুথোক্লবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। জনুৱারি ৩১দনা ইকনমিক সর্ভেগী রিপোর্ট পুথোক্লবা য়াই হায়রি।

দাইরেক্ট টেক্স কোদ কন্মিতিগী রেকম্মেন্দেসন মতুং ইন্না য়ুনিয়ন বজেটতা য়াওরবা য়াই হায়না থাজনরিবা ৱাফমশিংদি চহীদা লুপা লাখ ২.৫ ফাওবগী ইনকম লাকপা মীওইশিং টেক্স থিহন্দবা, লুপা লাখ ২.৫দগীনা লুপা লাখ ১০ ফাওবা ইনকম লাকপা মীওইশিংদগী চাদা ১০গী চাংদা টেক্স লৌবা, লুপা লাখ ১০দগীনা লাখ ২০ ফাওবা ইনকম লাকপা মীওইশিংদগী চাদা ২০গী চাংদা টেক্স লৌবা, লুপা লাখ ২০দগী ক্রোর ২ ফাওবা ইনকম লাকপা মীওইশিংদগী চাদা ৩০গী চাংদা টেক্স লৌবা অমসুং লুপা ক্রোর ২দগী হেন্না ইনকম লাকপা মীওইশিংদগীনা চাদা ৩৫গী চাংদা টেক্স লৌবা হায়বসিনি।

## এম পি পিগী ৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) লিংখৎখিবগী ৫২রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি এম পি পি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা হায়খি, এম পি পি কুমজা ১৯৬৮ কী দিসেম্বর ২৬ শাফোংখি। পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা মণিপুরদা টর্ম অহুম্লক লৈঙাক পায়রমখি। ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা রিজনল পার্টিশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈবা পার্টিনি। নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনদা খ্বাইদগী ইহান হানবা পোলিটিকেল পার্টি অমনি। কুমজা ১৯৭২ দা অলিমুদ্দিননা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা থা ১১ গী লৈঙাক থমখি। মদুগী মতুং পি আর লাকখি। কুমজা ১৯৭৪ দা অমুক লৈঙাক পায়দুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অনৌবা চহী হৌরকপদা মিনিষ্টর খরা ফম তাগদৌরিব্রা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস):

অনৌবা চহী হেক হৌরকপগা জন্যুৱারী থাদা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী হৌজিক-হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবা খরা ফম তাগদৌরিব্রা হায়বসি লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা কন্না ঙাঙনরিবা ৱাফম অমা ওইরক্লি।

বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এম এল এ ১৯না খুৎয়েক পীরদুনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টরশিং মেজর রিসফল তৌ হায়না তকশিনখিবনি। এম এল এশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি চহী অনী মখায় হেঞ্জিল্লক্লে, কুমজা ২০২০গী মার্চ ১৫দা চহী ৩ মপূং ফারগনি। কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা ফুল মেজোরিটি ফংদুনা অমুক হল্লক্লবগীদমক অমদি হৌজিক-হৌজিক এম এল এ ওইরিবশিং অসি অমুক হন্না মীখল অসিদা মায় পাকহন্নবগীদমক মিনিষ্টরশিং শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরদা থমখিবনি। মসিগীসু মথক্তা মিনিষ্টরশিং শিন্দোক্কদবনি হায়না তকশিল্লক-খিবা এম এল এশিংনা এসেমব্লি নীংথম মীফমগী অহৌবা নুমীৎতা শরুক য়াখিদবসু লৈখ্রবনি।

মিনিষ্টর রিসফল তৌ হায়না এম এল এশিংনা তকশিল্লকখিবা অসিনা মিনিষ্টর রিসফল তৌরবদি করি-করম্বা খুদোংচাদবা মায়োক্ল-রক্কদগে অমদি করম-করম্বা মিনিষ্টরশিং লৌথোক্লগা কনাবুনা নৌনা হাপকদগে হায়বগী মতাংদা বি জে পিগী সেন্ট্রেল লীদরশিং উনদুনা খন্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অথুবা মতমগী মনুংদা দিল্লিদা চৎলবা য়াই হায়রি।

মিনিষ্টরশিং রিসফল তৌ হায়না এম এল এশিংনা তকশিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এন পি পি, এল জে পি অমসুং এন পি এফকী ওইবা ৱাফম-শিংদি চপ চানা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

# গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্স : নোর্থ ইষ্ট অমসুং হিলস ষ্টেট ১১গী মনুংদা মণিপুরনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরে

## পব্লিক হেল্থকী রেঙ্কিংদনা মণিপুরনা মকোক্তা, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজদনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৬ :

মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্সনা পুথোকপা লৈবাক অসিগী ওইবা গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্স (জি জি আই)দা নোর্থ ইষ্ট অমসুং হিলস ষ্টেটকী কেটগরিদা পূন্না ষ্টেট ১১ লৈবগী মনুংদা মণিপুরনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরে। জি জি আই অসিগী মতুংইন্না পব্লিক হেল্থ রেঙ্কিংদদি মণিপুরনা মকোক্তা অমসুং কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজকী রেঙ্কিংদনা মণিপুরনা মমৈ ইথং থংনা লৈরে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা গুদ গভর্নান্স দেগী থৌরমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পর্সনেল জিতেন্দ্র সিংহনা গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্স (জি জি আই) অসি লোঞ্চ তৌখিবনি। গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্স অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং অসি কাঙলূপ অহুম থোক্লা হায়বদি- অচৌবা ষ্টেটশিং, নোর্থ ইষ্ট এন্দ হিলস ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ হায়না খাইদোক্লগা অখন্নবা কাঙলোন খরদা রেঙ্কিং পীবনি।

লৈবাক অপূনবগী ওইনা জি জি আইগী কম্পোজিৎ রেঙ্কিংদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী ওইনা টামিল নাদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে। মহারাষ্ট্রনা অনীশুবা অমসুং কর্নাটকানা অহুমশুবদা লৈরে। পর্সনেল মিনিষ্ট্রিগী দেটা মতুং ইন্না ছটিসগরনা মরিশুবা, অন্ধ্রপ্রদেশনা মঙাশুবা, গুজরাটনা তরুকশুবা, হরিয়ানানা তরেৎশুবা, কেরলানা নিপানশুবদা, মধ্য প্রদেশনা মাপনশুবা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ১০শুবা, টেলঙ্গননা ১১শুবা, রাজস্থাননা ১২শুবা, পঞ্জাবনা ১৩শুবা, ওরিষানা ১৪শুবা, বিহারনা ১৫শুবা, গোৱানা ১৬শুবা, উত্তর প্রদেশনা ১৭শুবা অমসুং ঝরখন্দনা ১৮শুবদা লৈরি।

নোর্থ ইষ্ট অমসুং চীংগী ষ্টেটশিংগী কেটগরিদা হিমাচল প্রদেশনা মকোক ওইরে। উট্টরখন্দনা অনীশুবা, ত্রিপুরানা অহুমশুবা, মিজোরামনা মরিশুবা, সিক্কিমনা মঙাশুবা, অসামনা তরুকশুবা, জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা তরেৎশুবা, মণিপুরনা নিপানশুবা, মেঘলয়ানা মাপল শুবা, নাগালেন্দনা ১০শুবা অমসুং অরুনাচল প্রদেশনা ১১শুবদা লৈরি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তা পোন্দিচরিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে। মথং মনাও নাইনা লৈরিবা অতৈ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদদি চান্দিগর, দিল্লি, দামন এন্দ দ্যু, অন্দমান এন্দ নিকোবার আইলেন্দ, দদ্রা এন্দ নগর হবেলিনি।

পব্লিক হেল্থ সেক্টর রেঙ্কিংদা নোর্থ ইষ্ট অমদি চীংগী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী কেটগরিদা মণিপুর অমসুং পোন্দিচরিনা মকোক্তা পুন্না লৈমিন্নরি। অচৌবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি কেরালনা অহানবা, টামিল নাদুনা অনীশুবা অমসুং গোৱানা অহুমশুবদা লৈরে।

পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ য়ুটিলিটিজকী সেক্টরদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী ওইনা টামিল নাদুনা অহানবা, গুজরাটনা অনীশুবা অমসুং পঞ্জাবনা অহুমশুবদা লৈরে। নোর্থ ইষ্ট অমদি চীংগী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ফাজিনখিবা শিন্মীশিংগী মচাশিংনা লাইরিকখাউ সরেন্দর তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস):

সঙাইপ্রৌদা লৈবা এফ সী আইগী গোদাউনদা চেঙ থাংবগী থবক তৌরম্বা শিন্মীশিং লৌথোরকখিবগা মরী লৈননা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা পুলিসনা ফাজিনখিবা শিন্মীশিংগী পীক্লিবা মচাশিংনা ঙসি এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টরদা লাইরিক য়াওবা লাইরিকখাউশিং সরেন্দর তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৫দগী ১৪ রোমগী চাংদা লৈগদবা অঙাং ২৫ রোম্না ঙসি মখোয়গী ফাজিনখিবা অহল-লমনশিং অদু থাদোকপীরক্তবদগী য়ূমদা চরা হেনবা য়াওরে। মহৈ-মশিন তম্বা ঙম্লক্তবগী ফীভম লাকপনা মহৈ তম্বা তোক্লগনি

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# খৃষ্টমাসকী থৌরম শরুক য়াবা চৎমিন্নখিবা মমান্নবা মশেল খৎন-চৈনবনি হায়বা থৌদোক্তা অমা শিরে, অহুম ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ফুনান মরিং খুলদা খৃষ্টমাসকী থৌরম শরুক য়ারুগনি হায়দুনা পূন্না চৎমিন্নখিবা মমান্নবা মশেল খৎন-চৈনবনি হায়বা থৌদোক্তা অমা শিরে, পুলিসনা অহুম ফারে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং-ৱাইরম অরাপ্পি চীং মথক্তা লৈবা ৱাটর সপ্লাই মনাক্তা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা নহা অদুগী মমিংনা সোইবম রোমিও (১৭) অপোকপা এস শ্যাম কৌই। মহাক লিলোং অরাপটি অৱাং লৈকায়দগীনি।

লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা



মতমদা রোমিও ফুনান মরিংদা খৃষ্টমাসকী থৌরম শরুক য়ারুগনি হায়দুনা মমান্নবা খরগা য়ূমদগী থোকমিন্নখিবনি। অদুগা অরাপ্পি চীং মথক্তা লৈবা ৱাটর সপ্লাই মনাক্তা মমান্নবা মশেল নীংঙাই-শংদান্নরকপদগী খৎন-চৈনবা থোক্তুনা ফীভম থীনা শোকখি। মহাক্না চৎমিন্নখিবশিংনা নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপা মতমদা পুলিসনা ফুরকপনি হায়জিল্লগা রোমিওবু য়ূমদা থিল্লম্বনি। মমান্নবশিং অদু চৎখ্রবা মতুংদা রোমিওনা খৎন-চৈনবগী ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মশা পূম্বা চৈফম নাইনা শোক্তুনা লৈরম্বদগী লিলোংদা লৈবা নুর হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখি। মফম অদুদগী অমুক রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপা মতমদা রোমিও লৈখিদবনি হায়নসু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মীশি অসিগী মতাংদা ইরিলবুং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা রোমিওগা চৎমিন্নখিবা মমান্নবা ৬কী মনুংদা অহুম ফাদুনা ৱাহং-পাউহং চথুরি। ফারবশিং অদুদি নাওরেম অমর্জিৎ (১৯), নাওরেম গুরু (১৯) অমসুং এলেক্স (১৮)নি ।

মখা লামায় ৩ কলম ২

## জয়কিষন : আই এল পিগী রুল গেজেট ফোংদ্রিঙৈদা খন্নহৌবা চুমগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা আই এল পি চৎন-হনবগী রুল এন্দ রেগ্যুলেসনগী মতাংদা গেজেট ফোংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা এসেমব্লী কৌদুনা মীয়ামগী অপাম-পামদা খন্নহৌবা চুমগনি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

খোয়াথোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, আই এল পি চৎনহন্নবগী মতাংদা শেম-শারিবা অসিদা করি করি হাপ্পা য়াবা হায়বদু মীয়ামগী অপাম-পামদা মতুংইন্না এসেমব্লী কৌদুনা খন্নহৌবা চুমগনি। রুল এন্দ রেগ্যুলেসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এসেমব্লী কৌদুনা খন্নহৌসি। মীয়ামগী অপাম্বা করিনো হায়বসিসু নীংথিনা নৈনহৌবনা অচুম্বা ওইগনি। ষ্টেটকী মপান্দগী লাক্লগা ভোটর চনবগী মতাং অসিসু য়াম্না নীংথিনা য়েংমিন্নবা চঙই। ভোটর চনবগী মতাং অসিদা অশানবা য়ুমগী মপুগী সার্টিফাই অমা লৌরগা ভোটর চনবা য়ানবগী মতাংদা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রে। আই এল পি চৎনহনবদা তঙাইফদনা রুল এন্দ রেগ্যুলেসনদা হাপ্পা য়াবশিং অদু কুপ্পা খন্ন-নৈনহৌবা চুমগনি।

সী এ এগী মতাংদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা হৌজিক ঈৱাং লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL Poll
Q: Kumja 2020 gi january tha manungda Manipur leingakki Ministersing reshuffle tourakkani haibagi thajaba leibra?
POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes No
Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu
NGARANG GI RESULT
Q: North East ta CAA gi erang leibana chahi asigi oina Manipur da tourist lakpagi chang hanthei khanbra?
Yes 78% No 22%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২১ °C খ্বাইদগী ঈংবা ৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৩

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- ভায়, পোষ্টিংদি কাংপোকপীদা অদুম লৈবীরিব্রা, চৎপদা ৱারমগনিদা...!
- ꯌꯥꯏꯍ, ꯄꯣꯁ꯭ꯇꯤꯡꯗꯤ ꯀꯥꯡꯄꯣꯛꯄꯤꯗ ꯑꯗꯨꯝ ꯂꯩꯕꯤꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ, ꯆꯠꯄꯗꯥ ꯋꯥꯔꯝꯒꯅꯤꯗꯥ...!



- চৎপদি ৱাদে, পোষ্টিংনা কাংপোকপীনি, ওফিসতি ইম্ফালদা ওইনা কাই...!
- ꯆꯠꯄꯗꯤ ꯋꯥꯗꯦ, ꯄꯣꯁ꯭ꯇꯤꯡꯅꯥ ꯀꯥꯡꯄꯣꯛꯄꯤꯅꯤ, ꯑꯣꯐꯤꯁꯇꯤ ꯏꯝꯐꯥꯜꯗꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯀꯥꯏ...!

# এম ঐচ আর সীনা করাং ঈথৎকী মীয়ামদা হি নৎত্রগা মোটোর বোট পীনবা ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসনগী জুরিস-দিক্সন মনুং চল্লিবা করাং ঈথৎতা লৈরিবা মীয়াম্না কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২১ অমসুং ২১ এগী মখাদা পীরিবা ফংফম থোকপশিং ফংদ্রে হায়দুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কম্মিসননা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদগী রিপোর্ট কৌখিবগা লোয়ননা ঈথৎ অসিগী মীয়ামদা হি নৎত্রগা মোটোর বোট পীননবা খঙহনখ্রে।

এম ঐচ আর সীদা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং হাওবম গিতাজেন মৈতৈ (৪০) কৌই। সোসল ৱর্কর ওইবগী মথক্তা করাং আইলেন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে আই দি ও)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদগী হৌজিক্লা ওর্গনাইজেসন অসিগী এদভাইজর ওইবনি হায়রি।

কম্মিসনদা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

বামোন কম্পু মর্দর কেস :

# প্রধান রবিগী বেল খন্ননবা কোর্টনা জেল এস পিদগী রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং-চনবা বামোন কম্পু মখা লৈকাইদগী খুঞ্জামযুম অরুন মৈতৈবু খৌরিদা থাঙনা লেল্লগা হাৎলমখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাবদগী হৌজিক ফাওবদা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লকপা একুজ অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা প্রধান নাওশেকপম রবি (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন নিমাই, বামোন কম্পু খাবমদা লৈবগী মায়কৈদগী বেল পীবীয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়র খন্ননবা কোর্টনা জেল এস পিদগী রিপোর্ট কৌখ্রে।

থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবা কে ঐচ অরুন মৈতৈ হৌখিবা এপ্রিল ২২গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা ময়ুমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রগা মথংগী নুমীৎতা শিনা ফংখিবনি। থৌদোকসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী অপোকপা কে ঐচ সনাজাওবা মৈতৈনা রিপোর্ট তৌরকপদগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ৩০ (৪) ২০১৪নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩০২/১২০-বিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

# 'ইন্দিয়া চহী ১০০ ফানা চৎলোই হায়রম্বা লৈ'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬: লোর্দ মাউন্টবেট্টননা ইন্দিয়া চহী ১০০ ফানা চৎলোই হায়রম্বা লৈ হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল গভর্ণমেন্ট ইন এগজাইলগী মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফেয়র্স এন্দ দিফেন্সনি হায়রিবা নারেংবম সমরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া অসি ১৮৫৮ দা বৃটিশতা এনেক্স তৌরবা মতুংদা বৃটিশ ইন্দিয়া ওইবগা লোয়ননা বৃটিশ কোলোনি অমা ওইরে। বৃটিশ ইন্দিয়া অসি অমুক দিকোলোনাইজ তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়া অমুক হায়রে, মসি ইন্দিয়া (প্রোভিজনেল কন্সটিট্যুসন) ওর্দর ১৯৪৭কী সেক্সন ১৫০ অমসুং ১৫৫দা ময়েক শেংনা পীরি। হায়রিবা ইন্দিয়াগী টেরিটোরি অসি অনী থোক্লা ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭কী মতুংইন্না খায়দোক্লগা ইন্দিয়া (দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া) অদুগা পাকিস্টান (দোমিনিয়ন ওফ পাকিস্টান) হায়না শেম্লি। দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদি ইন্দিয়া (এম্পায়র ওফ ইন্দিয়া)গী পার্ট অমা ওইনা লৈহৌরে, অদুগা দোমিনিয়ন ওফ পাকিস্টানদি ওইদরে। হায়রিবা দোমিনিয়ন অসিদি ইন্দিপেন্দেন্ট দোমিনিয়ননি, সোভরেন্টি য়াওদে। মরম অসিনা ষ্টেট অমা ওইদরি। কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা ইন্দিয়ানশিং ইন্দিপেন্দেন্স ফংলে হায়বদি ইন্দিয়া মচানা শেমজবা গভর্ণমেন্ট অমা লিংলে অমদি ইন্দিয়নশিংনা মশানা লৈবাক ঙাকপা হৌজরে। অদুবু ইন্দিয়া মচাশিংনা মশানা লৈঙাকচরবসু বৃটিশ লোগী মখাদা শেম্বা গভর্ণমেন্টনি হায়বদি ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ অমদি ইন্দিয়া (প্রোভিজনেল কন্সটিট্যুসন) ওর্দর ১৯৪৭কী মখাদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াদা রুল তৌবনি। মরম অসিননি 'গভর্ণমেন্ট কেন চেঞ্জ এন্দ গভর্ণমেন্ট কেন রিপ্লেস বাই অদরস' হায়রিবসি। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট (কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস) ওইরগসু এগজিক্যুটিভ ওথোরিটিদি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টতা লৈতে। এগজিক্যুটিভ ওথোরিটিদি মতম অদুদা লোর্দ মাউন্টবেট্টন, গভর্ণর জেনরেলনা ওইরি। লোর্দ মাউন্টবেট্টনা এগজিক্যুটিভ ওথোরিটি ওইরিবনিনা মাউন্টবেট্টন নৎতনা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমত্তা অতোপ্পা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অয়ুশ সেক্টর চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর ষ্টেট মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দ অমদি প্রত্যক্সা এগ্রোটেকনা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েট ব্লোক্তা লৈবা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগী মিনি কনফরেন্স হোলদা ঙসি মণিপুর ষ্টেট মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দ, এম এস পি বি অমদি অসামগী সিলচরদা লৈবা প্রত্যক্সা এগ্রোটেক প্রাইভেট লিমিটেদনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, আয়ুস সেক্টর চাওখৎহনবগা




লোয়ননা ট্রেদিস্নেল মেদিসিনেল প্লান্ট অমদি এরোমেটিক প্লান্টকী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা এম ও য়ু অসি শীংথানিং-ঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবা য়াই। ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী মেদিস্নেল অমদি এরোমেটিক প্লান্ট কয়া ফংবা মরম্না তোঙান- তোঙানবা কম্পেনি কয়ানা অপীকপা চীংগী ষ্টেট অসিদা অখন্না মীৎয়েং চঙলক্লি।

হেল্থ সেক্টরদা মণিপুরনা তপ্পা তপ্পা খুৎমাং চাওশিল্লক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নোর্থ ইষ্ট অমদি হিল ষ্টেটশিংগী মরক্তা গুদ গভর্ণান্সকী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ষ্টেটনি হায়না লাউথোকখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা দোনর মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদা এৱার্দ পীরকপা লৈখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭



HL-P/5531/12/12-13/01